**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-08.2024)**

**পেট্রোল (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা পেট্রোল পম্পশিংগী মমাংদা লন্নাই মীওইশিংনা পেট্রোল অমসুং দিজল ব্লেক মার্কেটতা য়োল্লিবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দাইরেক্তর-রোবার্টসন অশেমনা হায়রি।

জিলাশিংগী এস.পিশিংদা ইবা চেরোল অমদা দাইরেক্তরনা হায়-রাজ্য অসিদা হৌজিক পেট্রোল অমসুং দিজলগী ষ্টোক মরাং কায়না লৈ অমদি মসিবু ব্লেক মার্কেটতা য়োল্লিবা অসি খুদক্তা লেপহনবা তঙাইফদে। মরম অদুনা মরী লৈনবা এস.পিশিংনা ব্লেক মার্কেটতা পেট্রোল অমসুং দিজল য়োল্লিবশিংগী মথক্তা খুদক্তা থবক লৌখৎনবা খঙহল্লি।

মরক অসিদা, দাইরেক্তরনা থোকপা অতোপ্পা চেরোল অমদা হায়-রাজ্য অসিদা মীয়ামনা মীপায়বদগী পেট্রোল, দিজল লৈননবা পেট্রোল পম্পশিংদা ক্যু শাংনা-শাংনা লেপ্পা থেংনরে। রাজ্য অসিদা পেট্রোল অমসুং দিজল মরাং কায়না লৈরি অমদি পেট্রোল পম্পশিং মহৌশাগুম হাংনবা চেরোল অদুনা হায়রি। মীয়ামনসু মখোয়গী দরকার লৈবশিংতমক লৈননবা চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

অকাশবানি পাউমীনা ইম্ফালগী মরুওইবা পেট্রোল পম্পশিং কোইনা চৎতুনা য়েংলুবদা পেট্রোল পম্প খরদনা মীয়াম ক্যু পরেং শাংনা শাংনা লেপ্পা, খরা অমদনা পেট্রোল নিল হায়না থাবা থেংনখি।

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা সভাপতি ওইদুনা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি.ডব্লিয়ু.ডি) গী রিভিয়ু মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েট ওফিসতা পাঙথোকপা মীফম অদুদা রাজ্য

অসিদা পায়খৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা অমুক হন্না য়েংশিনখি। চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মীপুম খুদিংমক্তা ফংহন্নবগীদমক বিভাগ অসিগী থবক থৌরমশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা ইংনা তপা থবক পাঙথোকপা য়ানবা ৱাফমশিংসু খন্নখি হায়রি। ঙসিগী মীফম অদুদা ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং পি.ডব্লিয়ু.ডিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার-নিংঙোম্বম সুভাসনচিংবা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টসকী ওইবা রিভিয়ু মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা বিভাগ অসিগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখি হায়রি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা শান্ন খোৎনববু হেন্না চাউখৎহন্নবা নহাশিং অমদি মীয়ামবু শরুক হেন্না য়াহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি। মীফম অদুদা স্পোর্টস মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টসকী দাইরেক্তর-টি.ফুলেননচিংবা শরুক য়াখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা মনিপুর মাইনোরিটিজ এন্দ আদর বেকৱার্ড ক্লাসেস ইকোনোমিক দিবলপমেন্ট সোসাইতি (মোবেদস) কী মীফম অমসু ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েট ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা মাইনোরিতি জাতিশিং, ও.বি.সি. অমসুং সেদ্যুল কাষ্টশিং চাউখৎনবা থাদরক্লিবা প্রোজেক্টশিং চৎনহনবগী মতাংদা খন্নখি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলনা ঙরাং অমসুং ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেড চথবদা মৈ হুরাল্লগা থাল্লম্বগীদমক ঐচ.টি. কঞ্জুমর ২৯ অমসুং এল.টি. কঞ্জুমর অনি ফারে হায়রি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলগী জেনরেল মেনেজরনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ককচিং দিভিজনদগী মীওই মরি, বিষ্ণুপুরদগী ১০, থৌবালদগী অহুম, ইম্ফাল ইষ্ট দিভিজন টুদগী তরেৎ, ইম্ফাল ইষ্ট দিভিজন থ্রিদগী মরি, চুরাচান্দপুর

দিভিজনদগী অমা অমসুং ৱাংখৈ সব দিভিজনদগী মীওই অনি ফাগৎখি। মখা মৈ ফাবগী দ্রাইব চথখিগনি হায়রি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি রিশাং কৈশিং লৈখিদবগী ৭ লকশুবা কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী বি.টি. রোদতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্র, সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, সি.দব্লিউ.সিগী মেম্বর গাইখাঙম য়াওনা দল অসিগী লুচিংবশিং অমদি কর্ম্মিশিংনা রিশাং কৈশিংগী ফোতোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা ওক্রম ইবোবীনা হায়-হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-রিশাং কৈশিংনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই অমসুং লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীওইশিং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অদু ঐখোয়না ইনদুনা চৎপা তঙাইফদে। লুচিংবা অসিনা লমদম অসিগীদমক্তা লৌখিবা থৌদাংশিংবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা পালন অসি পাঙথোকপনি।

**এআর(এল)ঃ** অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী তেকচম মনিং চীংদা ঙসি থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে হায়রি।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-থিবা হুম্বগী থবক অদুদা নাইন এম.এম. করবাইন অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, এম.টোইন্তি পিষ্টোল অমা অমদি পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং ফাগৎলে হায়রি। ফারবা পোৎলমশিং মনিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, এক্স সার্ভিসমেন অমসুং বিরনারিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী থৌরম অমা চুরাচান্দপুর জিলাদা লৈবা অসাম রাইফলস কেম্পতা ঙরাং

পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙরাং তুপুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ১৬০ রোম লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথক য়েন্থোকখি হায়রি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা মনিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা, অসাম অমসুং মেঘালয়গী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

বিভাগ অসিনা হায়-অৱাং থংবা বঙ্গলাদেসতা লো প্রেসর লৈবা মরমনা লাক্লিবা পুং ২৪ অসিদা অসাম, মেঘালয় অমসুং ত্রিপুরাগী মফমশিংদা নোং কন্না চুগনি। বিভাগ অসিনা হায়-নোংপোক, নোংচুপ, অৱাং নোংচুপ অমসুং ময়াই থংবা ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা অকনবা নোং চুখিগনি।

ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-রাজ্য অসিগী জিলাশিংদা মরুওইনা তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল অমসুং কামজোংগী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাবগাই কেন্দ্রদা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা লৌফমশিং, ঙাগী ফার্মশিং অমদি য়ুমশিংগী ফিভম কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. ডা: উশম দেবেননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এনা হায়-নুমিৎ খরনিগী মমাংদা চুখিবা নোংনা সেকমাই তুরেলগী তোর্বান মফম কয়াদা কায়বা অমদি ঈশিং পাথোকপদগী ৱাবগাই কেন্দ্রগী মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিল্লে। মহাকা হায়-ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগা খন্নরে।

**সিপিআই (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী থোরকখিবা খুদক্কী ঈশিং ঈচাওনা থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর জিলা য়াওনা ময়াই লম্বীগী লৌমী অমসুং ঙামী কয়াগী ইমুংশিংদা চাউনা অমাং অতা থোকহল্লে হায়না মনিপুর লৌমী লুপকী চেরোল অমনা হায়রি। ঈশিং ঈচাউ অসিনা য়াম্লবা লৌফমশিং য়াওনা ঙায়োক ফার্ম অমদি পোলতরি ফার্ম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবদগী অৱাবা মায়োকরি।

সেকমাইজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী লৌ পরি ৪৫০ রোম ঈশিং থুমজিনখ্রে। হিয়াংলম মনিং অমসুং মমাং লৌকোল য়াওনা লমজাউগী লৌ পরি লিশিং অনিরোমসু লৌ পানবা হৌনরবা মতুং ঈশিং থুমজিনখ্রে। লৌমীশিং অমসুং ঙামীশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা এগ্রীকলচর বিভাগনা চাকথোক লৈবা ফৌদি অমসুং হারনচিংবা অথুবদা মরাং কায়না ফংহন্নবা দাবী তৌরি।

**ডে (এল)ঃ** ৱার্ল্ড সংস্কৃট ডেগী মরী লৈননা মনিপুর সংস্কৃট মহা বিদ্যালায়া-সঙাইপাৎ ইম্ফালনা চয়োল অমা চুপা সংস্কৃট সবতাহ সমরোহা পাঙথোক্লি। মসিগী মনুং চন্না ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসি-রিমস, লাইফ সেভরস মনিপুরগা খুৎশমরগা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**হেলথ(এল)ঃ** চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্টকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং এন.পি.পি. সি.দিগা পুন্না শিনদুনা ইম্ফালগী থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা স্ক্রিনিং কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা লৈবা মীওই ২৬২ তাবা ৱৎপগী স্ক্রিনিং তৌখি।

**সিপিআই(এল)ঃ** হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিং ঙাক শেন্নবা অখন্নবা আইন শেমবা সি.পি.আই. মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা দাবী তৌরি।

হন্দক্তা কোলকাতাগী আর.জি. কর মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতালগী ডাক্তর নুপী অমবু তমথিনা হাৎতোকপীরম্গী থৌওং লাইবক থিবনি। মেদিকেল সার্ভিসতা লৈরিবা নুপীশিংদা অকি-তুজংবা ফাওহন্দনবা অখন্নবা ঙাকশেলগী থৌরাং পায়খৎনবা সি.পি.আইনা মতম কয়াদগী কেন্দ্র সরকারদা তকশিনদুনা লাকখি। রাজ্য খরদদি অখন্নবা আইন শেল্লবসু রাজ্য পুম মক্কী ওইনদি হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিং ঙাকথোকচনবা আইন শেন্বা লৈত্রি। মরম অদুনা চেন্নবশিং অথুবদা চৈরাক পীনবা হোৎনবগী মথক্তা নুপী মেদিকেল প্রাক্তিস্নারশিংগী হক কন্ননবা সরকার অসিনা অখন্নবা আইন শেমবা দাবী তৌরি।

**চান্দেল(এল)ঃ** শমপুরনাতা অভিয়ানগী মতাংদা থা খুদিংগী পাঙথোকপা রিভিয়ু মীফম দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী চেম্মরদা পাঙথোকখ্রে।

নিতি আয়োগকী এসপিরেস্নেল দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম-চান্দেলগী মখাদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা এসপিরেস্নেল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং এসপিরেস্নেল ব্লোক-চকপিকারোংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা অমদি মদুবু পায়খৎপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি। মীফম অদুদা শমপুরনাতা অভিয়ান মপুং ফানা চৎনহন্নবা অমদি পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা হেন্না পুকিং চংনা থবক তৌনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

**উ(এল)ঃ** এন.এস.এস. সেল মনিপুর য়ুনিভরসিতি, লাইওন্স ক্লব ওফ কাঞ্চিপুর অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট্রি এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সকা

পুন্না শিনদুনা এক পের মা কে নাম হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চুপা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কেম্পসতা উ চারাশিং থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা লুচিংদুনা উ চারা ৪০০ রোম থাখি।

**উ(এল)ঃ** উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা জিলা অদুগী মফম কয়াদা উমংগী শরুক হেনগৎহন্ননবা পান্দমদা উ চারা থাবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি।

এক পের মা কে নাম কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফম মঙাদা উ চারাশিং থাখি। উ থাবগী থৌরম অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রীমতি জ্‌রিংলা কেঙুনা লুচিংদুনা উ চারাশিং অদু থাখি।

**ডেঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা হয়েং অহানবা ওইনা নেসনেল স্পেস ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মমাং চহিগী আগষ্ট ২৩ দা চন্দ্রয়ন থ্রিনা থাগী লৈমাইদা মায় পাকা তাখিবা অদুবু নীংশিংদুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি। কুমশি চহিগী হীরমনা 'টচিং লাইফস হুাইল টচিং দা মুন-ইন্দিয়াস স্পেস সগা' হায়বসিনি।

বিক্রম লেন্দরনা থাগী খা মেরু থংবা মফমদা ইহান হান্না তাবা ঙম্বা লৈবাক ওইখিবা অমদি থাগী লৈমাইদা তাবা ঙম্বা মরিশুবা লৈবাক ওইবা ঙমখিবা অদুবু শিংথাবা ওইনা নেসনেল স্পেস ডেগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ইন্দিয়ান স্পেস রিছাস ওর্গনাইজেসন (ইসরো) গী ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙথাং অসিবু থাগৎপা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা মতমদুদা চহি খুদিংগী আগষ্ট ২৩ অসি নেসনেল স্পেস ডে হায়না পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবনি।

মনিপুরদসু পালন থৌরম অসি মনিপুরি য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্সনা শিনদুনা য়ুনিভরসিতি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোক্কনি।

**ষ্ট্রাইকঃ** ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) অমসুং ডাক্তর রাম মনোহর লোহিয়া হোস্পিতালগী রেসিদেন্স ডাক্তরস এসোসিয়েসনগী খোঙজং হন্দোকখ্রে।

ডাক্তরশিংনা ষ্ট্রাইক চংশিল্লিবা অদু হন্দোক্তুনা মশাগী মথৌদা হনজিন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা হায়রকখিবা মতুং ইন্না ডাক্তরশিং অদুনা খোঙজং অদু হন্দোকখিবনি হায়রি।

এইমসকী রেসিদেন্স ডাক্তর এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়- আর.জি. কর মেদিকেল কলেজকী থৌদোক অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা লুমা লৌদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিং অশোয় অঙাম য়াওহন্দনবা হোৎনরিবা অদুবু থাগৎনিংঙাইনি। নেসনেল টাক্স ফোর্স শেমদুনা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা লৌখৎলিবা থবক অদুবুসু এসোসিয়েসন অসিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

মরক অসিদা, সি.বি.আইনা. আর.জি. কর মেদিকেল কলেজগী হান্নগী প্রিন্সিপাল ঙসি কোলকাতাদা অমুক হন্না ৱাহং পাউহং চথখ্রে। নোংচুপ বেঙ্গোলগী হকশেল বিভাগনা ডাক্তর-মানস বন্ধোপধ্যায়বু কলেজ অসিগী অনৌবা প্রিন্সিপাল ওইনা অদুগা ডাক্তর সপতরসি চথোপধ্যায়না অনৌবা মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট অমসুং ভাইস প্রিন্সিপাল ওইরগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ৱারসোদা পোলেনগী প্রধান মন্ত্রি- দোনল্ড টক্সকা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে।

পোলেনগী খোঙচৎতা লৈরিবা প্রধান মন্ত্রিবু ৱারসোদা পোলেনগী প্রধান মন্ত্রি-দোনল্ড টক্সনা তরামা ওকখি। শ্রী মোদিগী খোঙচৎ অসি চহি ৪৫ গী মতুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা লৈবাক অদুদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহনগনি হায়না কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি।

লৈবাক অনিনা টেকোলোজি অমসুং ক্লিন ইনর্জি য়াওনা সোসিএল সেক্যুরিতিগী মতাংদা মতেং পাংনবা হায়না য়ান্নখি। ৱারসোদা লৈবা ভারত মচাশিংদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ইনভোসেন অমসুং নহাশিংনা লৈবাক অনি অসি চাউখৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। ভারত অমসুং পোলেননা সোসিএল সেক্যুরিতিগী মতাংদা য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌবা অসিনা লৈবাক অনি অসিগী মীওই কয়াদা কান্নবা পীগনি।

পোলেন্দগী খোঙচৎ লোইরবা তুংদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি য়ুক্রেনগীদমক খোঙশানগনি। য়ুক্রেনগী প্রধান মন্ত্রি-ভোলোদিমির জেলেন্সিকিনা বার্ত্তন তৌরকপদগী য়ুক্রেনদা চৎপনি। ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা য়ুক্রেনদা চৎপা অসি শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা অহানবনি।

**ত্রিপুরাঃ** ত্রিপুরাগী কোনুং অগরতালাদা ঈশিংগী ইমায় খরা হন্থজরবসু গোমতি অমদি খা থংবা ত্রিপুরা জিলাদা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম হৌজিকসু লুনা লৈরি। এন.দি.আর.এফকী টিম মরি ঙরাং রাজ্য অদুদা থুংখিবগা লোয়ননা জিলা অনি অসিদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক হৌখ্রে।

অকাশবানিগা ৱারী শান্নবদা ত্রিপুরা রিভিন্যু সেক্রেটরি-ব্রিজেস পান্দেনা হায়-এন.দি.আর.এফকী অতোপ্পা টিম মরি রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা থুংলরগনি। মহাকা হায়-নোং চুবগী চাং হন্থরবসু লাক্লিবা মতম খরা অসিদা অকনবা নোং চুখিগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি। রাজ্য অসিদা নোংগা মরী লৈননা শিখিবা মী মশিং ১২ শুরে।

মরক অসিদা, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা এন.দি.আর.এফকী অহেনবা টিমশিং থারক্লগনি। ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি-ডা: মনিক সাহগা ৱারী শান্নবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা হি অমসুং হেলিকোপ্তর শিজিন্ননবা কেন্দ্র সরকারনা মতেং পাংলগনি।

অগরতালাগী ঈশিং থুমজিল্লিবা মফমশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনবগী

খোঙচৎতা ম্খ্য মন্ত্রি-মনিক সাহনা হায়-ঈচাওনা অৱাবা মায়োকরিবা মীপুম খুদিংমক্তা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা হোৎনগনি। মহাকা হায়-রাজ্য সরকারনা মহৈলোইশঙশিং মখা তাবা নোটিশ অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা অগরতালাদা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা ঈশিং ঈচাওনা থোরকপা য়াদনা লৈরিবা মীওই কয়া হোন্দোকবা অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিং খুদক্তা পীননবা পাউতাক পীখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অদুদা রিলিফ কেম্প ৩২১ হাংলি অমদি মীওই লিশিং ৫, ৬০০ হেন্না কেম্পশিং অসিদা চংজফম লৌদুনা লৈরি।